হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ১৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১১০ শুবা মশীং

# কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক

## ৱর্ল্ড হেরিটেজ লিষ্টতগী চিংখহৌবগী মরম থিদোকসি

ৱর্ল্ড হেরিটেজ কম্মিটিগী হন্দক্তা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা পাঙথোকখিবা ৪০শুবা সেসন্দা ইন্দিয়াগী ওইনা মফম অহুমখক ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখ্রে। লাইবক থিবদি পূম্নমক্কী মকোক থোংনা খল্লক্কনি হায়না পানখিবা মণিপুরগী কৈবুল লমজাওদি হন্দক্কী অসিদা য়াওরকখিদ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা ৱর্ল্ড হেরিটেজ ওইনা লাউথোকখ্রবা মফম অহুম অদুদি চান্দিগরগী কেপিটোল কমপ্লেক্স, সিকিমগী মাউন্ট কংজেনজঙ্গ অমসুং বিহারগী নলান্দা য়ুনিভর্সিটিনি। লৈবাক অমদা অমুক্তদা ৱর্ল্ড হেরিটেজ লাউথোকপদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ইন্দিয়ানা ওইরে। ৱর্ল্ড হেরিটেজ কম্মিটিগী ৪০শুবা সেসন্দা য়ুনেস্কোনা লাউথোকখিবা ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটকী লিষ্টতা য়াওবা ঙমখিদবা মণিপুরগী কৈবুল লমজাও অসি অতাওবা ফুম মথক্তা সঙাইগী শান্নফম ওইবগীদমক মালেমদা মমিং চৎলিবনি। হন্দক্কী ওইনা ইন্দিয়াগী মফম অহুম খল্লকখিবা অসি কলচরেল সাইটতা য়ুম্ফম ওইরগনি। অদুবু মণিপুরগী কৈবুল লমজাওগী ওইনদি মিক্স হেরিটেজ সাইট ওইহন্নবা চেরোল থাখি। চহী ১০ খূদিংগী ওইনা পাঙথোকপা সেসন অসিদা কৈবুল লমজাওসু মালেমগী হেরিটেজ লিষ্টতা চন্নবগীদমক কুমজা ২০১৪দগী হৌনা কেম্পেন তৌরকখিবনি। লিষ্ট অসিদা চলহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা থৌবু ওইখি অদুগা মণিপুরদনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা থৌবু ওইনা হোৎনখি। ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইহন্নবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা ক্রাইটেরিয়া ১০ রোম শুবা তাই। ক্রাইটেরিয়া ১০ অদুগী মনুংদা মরিদি নেচরগা মরী লৈনৈ অদুগা অতৈ লেমহৌরিবা তরুক অদুনা মফম অদুগী কলচরগা য়াম্না মরী লৈনৈ। কৈবুল লমজাওগী ওইনদি নেচরগা মরী লৈনবা ক্রাইটেরিয়া মরিগী মনুংদা অহুম নীংথিজনা য়াওবা ঙমখি। অদুগা কলচরগী য়েংলুরগনা লোক্তাক অমসুং কৈবুল লমজাওগা মণিপুরগী পুৱারীগা লৈনরকপা মরী কয়া অদু য়েংলুরগদি মসিদগী হেনবা মতিক চাবা মফম অমা লৈরমগনি হায়বা থাজদে। অদুবু মসিবু খল্লিবসি মালেমগী ওইবা বোদি অমনা খল্লকপনা কনাগুম্বা খরনা নম্ফু-হাফু তৌরগা লৈহৌবা নত্তে হায়বসিমদি চুমগনি।

কমদৌনা ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট চনবা ঙমহৌদবনো হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু মিক্স হেরিটেজ সাইট ওইনা লোক্তাক পাৎ কৈবুল লমজাওদা পুশিল্লুবদগী ওইগদ্রা হায়বা অমা নৈনবা য়াই। মসিগীসু মথক্তা লোক্তাক পাৎতা হৌজিক হৌজিক পাৎ অসিগী মশক মাঙশিল্লকপা, মণিপুর লৈঙাক্লা পাৎ কন্নবা লৌরিবা থৌদাং পেন্নিংঙাই ওইদবা, ঙামীশিংগা লোক্তাক পাৎ কন্নবগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগা য়াশিন্নবা ঙমদবা ৱাথোক কয়া লৈরিবা অসিসু মরম অমা ওইরম্বা য়াই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা সঙাইনা শান্নজরবসু পার্ক অসিগী মশক মাঙথরকপা অমদি পার্ক অসি লন্নাই মীওই কয়ানা লম খোপচিল্লকপগী থৌদোক ৱাথোক কয়ামরুম লৈরিবসি মমাঙথক্তা হেরিটেজ সাইট লাউথোক্লবা ইম্ফালদা য়েংশিল্লম্বা লাকখিবা ওফিসল টিম্না খঙখিব্রা হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা ৱারম কয়ামরুম লৈ। ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট লাউথোকপদা য়াওরগা মফম অসিদা কনাগুম্বা খরনা লুপা ক্রোর কয়ানা খুজিং ওইরগা থাদরক্কনি হায়বমক্তি নত্তে। মালেমগী মীয়ামদা মশক খঙহনবা অমসুং কনাগুম্বনা কৈবুল লমজাওগা মরী লৈননা শেমগৎ শাগৎনবগী থবক পায়খৎকে হায়বদা অথিংবা লৈতবা কয়া অসি য়েংলগা লৈবাক অসিনা ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকহন্নবা হোৎনরকপনি। লাইবক থিবদি য়ুনিয়ন ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর ওইরম্বা প্রকাশ জাবদেকরনা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা কৈবুল লমজাওদা লাক্লগা মফম অসি ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোক্লবা হোৎনবদা তৌবা য়াবা তৌগনি হায়খিবদু থবক্তা ওন্থোরকখিদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকপগী মচাক পূম্নমক শুনা লৈরবা কৈবুল লমজাওবু করিগীদমক হন্দক্কী অসিদা য়াওরক্ত্রিবনো হায়বা কুপ্না য়েংশিনবা চঙই। অশোয়বদু থিদোক্লগা পুথোক্তুনা নৈনরবা তুংদা মতুংদা অহোবা লৈহন্দ্রগা মথংগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট লাউথোক্লবা তান্নবদা য়াওহৌনবা হৌজিক্তগী হৌনা হোৎনরসি। লোক্তাক পাৎ য়েৎনবা য়াওদবা মফম ওইহনসি, কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা লম খোপচিনবা তকথোকসি হায়জনিংই।

---

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## অথুবদা খূৎশুমল পীথোকপীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**আর টি ঈগী** মতুং ইন্দুনা স্কুলশিংদদি অঙাংশিংবু লাইরিক তমহনবগী হকতি পীরি। অদুবু মসিবু মপূং ফাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌজরিবা ওজা মরু ওইনা আর এম এস এগী মখাদা হাপ্লিবশিংবুদি করম্না হিংলিবগে কনা অমত্তনা হংবিদ্রি। থা ৬/৭ কী খূৎশুমল ফংদনা হিংলিবা আর এম এস এগী ওজাশিংগী রাইট চাওনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মপি মপা ওইরিবশিংনা মৎপীখ্রে।


চৈরক অসিদা অমুক ওজা লৌবগী থবক চত্থরি। হান্নগী আর এম এস এগী ওজাশিংগী খূৎশুমল ফাওবা পীথোক্তনা লৈরিঙৈসিদা মখোয় নৌনা লৌগদৌরিবা ওজাশিংগী খূৎশুমলনা কনাগী ফুরিৎখাওদগী পীগদৌরিবা?

অরোইবদা হায়জনীংবদি, আর এম এস এগী ওজাশিংগী থা ৬/৭ কী খূৎশুমল পীথোক্তনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা আর এম এস এগী ওজাশিংদা হায়জনীংবা অমনা ঐখোয় মিকপ থোক্লসি, কয়াম কুইনা তূমদুনা লৈখিসিগে, ঐখোয়গী হক ফংনবগী খোল্লাও লাউমিন্নরসি।

*অদোমগী - কে প্রিয়ো*
*ইম্ফাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১। ডা. কমলনা ৱারীমচা অমখক ইরম্মী। মদুগী মমিং করি কৌই?
২। কবি ভুবনস্নানা অঙাংগী লাইরিক অমা ইখ্রে। লাইরিক্তু করি মমিং কৌই।
৩। 'অমুবা মিৎখুমফি' কনানা ইবনো?
৪। 'অমসুং ইন্দ্রজিৎ' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ২২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হায়নবা লৈঃ**

*শগোল হনজিন কৈনা চাই।*

---

# সেল্লোই লোংমাই ইকোলোজিকেল পার্কতা নোংমা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪০২


**জিতেন নামৈরাকপম**

**মণিপুর,** ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা চিদাইদা লৈবা স্কার কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাওবা পীকখ্রবা ষ্টেট অমনি। অপূনবা পাক চাওবগী চাদা ৯২ অমনা চীংগী লম ওইরগা লেমহৌরিবা শরুক ৮ খক্লা তম্পাকলম ওইবা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়া অমনা পুনশিন্নদুনা খুন্দামিন্নরি। মতম অমদদি য়াম্না ঈংনা তপ্না শান্তি লৈনা খুন্দামিন্নরম্বা লমদম অসি ঙসিদি তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মশা-মশাখক্কী ওইজবা থিবা খোঙজংশিংনা মরম ওইদুনা খ্বাইদগী শান্তি লৈত্রবা মফম হায়বদু ওইরে। মাগী মাগী অপাম্বা ফংনবা হোৎনবদা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনরকপা ঙসিসু লেপত্রি। মচোয়-মচোয় তান্নবগী ৱাখলদা ঙাউদুনা লৈনখ্রে। অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা মশাগী পোৎথোক ইরৈ লৈজদবা, মীরমদগী পুশিল্লক্লগা হিংনবগী লম্বী ওইনরিবা লমদম অসিদা তুংগী লম্বীগী খল্লুবদা কিনিংঙাইগী মশক্লি। ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু অমদি লোর্দ ইরৱিননচিংবনা 'জ্বেল ওফ ইন্দিয়া', স্বিটজরলেন্দ ওফ দ ইষ্টনচিংবা ফজবগী লমদা শিংথারম্বা কয়া লৈখ্রে। মণিপুরসি পীক্তক্লা ফজবা লম অমনি হায়বসিনি। মণিপুর হায়ৱেদনা চীংনা ইকোয় কোয়শিল্লগা ময়ায়দা সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৭০০/৮০০ লোম ৱাংখৎনা লৈবা ইম্ফাল ভেল্লি (ভেল্লি মিন্স প্লেন বিত্বিন দ হিলস, ওর মাউন্টেন্স) গী চীংলোন কয়া লাল্লক্লগা লাকপদা থেংনবা ইম্ফাল ভেল্লি অসি উরুবদগীনি। তেনশিন্না হায়রবদা নেসনল গেমস কুমজা ২০০০ গী অদুৱাইদা খুমন লম্পাক্কী মেইন ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী বস তোংদুনা থেক খোয়রবা মণিপুরগী চীংলোন মাপন লানশিল্লকখি। মতমদুদা মণিপুর তম্না চঙলকখিবা প্লেয়রশিং অমদি ওফিসিএলশিংনা খনখি, চীংগী লম অসিদা বোল কাউরগা মখাদা তাখিবদগী লোকখাদা কুমথদুনা বোল খুন্নবা 'বোল বোয়' য়াম্না লৈরম্লগনি। চীংনুংহুৎ অসিদবু হোকি গ্রাউন্দ, এথলেটিক্স নৎত্রগা ভোলিগী শান্নফমগা লৈবজাৎলা, লৈরগনা কদাইৱাইদা শান্নগদবনো। মখোয়না ইরোইবগী দাইভিংনচিংবগী ইভেন্ট ময়াম অমা হাপচিল্লিবসিনা কমদৌবা। চীংদোলদগী য়ুংনা শেৎথরগা লোকচপ্তা ইরোইবগী কম্পিটিসন তৌগদৌরিবা জাৎলা। অসুম্না চীংলোন মাপন লাল্লকপদুদা য়াম্না কিনা খন্নখি হায়। অদুবু ইম্ফাল য়ৌরকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা ইন্দিয়াগী মফমশিংদগী লাকপা প্লেয়রশিং ঙকপনা খম থেংনখি। চীংনা ইকোয় কোয়শিল্লগা ফজখ্রবা তম্পাক্লম অমা লৈরম্বদা মদুসু খুমন লম্পাক - মখল মখলগী মশান্নগী ষ্টেদিয়ম লৈরবা অদুগা লাঙ্গোলগী গেম ভিলেজ! লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম নিপামচানা চীফ মিনিষ্টর ওইনা পাল্লিঙৈ মতমদুদা মণিপুরদা লাকখিবা মখল মখলশিংগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসিএলশিং মণিপুরগী ফজবা উরুবদা ঙকখি। খন্নখি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা অসুক্কী মতিক ফজখ্রবা লমদম অমা লৈরম্বা -মমিংনা মণিপুর, জ্বেল ওফ ইন্দিয়া!

মণিপুরবু ফজদবা মফম কদাইৱাইদা লৈবগে, ফজবগী ফজবা মক্তনি। চীংনা ইকোয় কোয়শিল্লগা ময়ায়দা পাক চাওখ্রবা ফ্রেস ৱাটর লেকনা মিংশেলগুম ঙাল্লিবা, মায়কৈ খুদিংমক য়েংথোকখিবদা অশং-অমানমক্তনা পুমথন থল্লবা, মচু-মচুগী লৈরাং কয়ানা মায়কৈ থুংনা শাৎলিবা, মখল-মখলগী ওর্কিদ কয়া অদুগা অঈং-অশাগী খল কায়দনা থল্লিবা লমদমসিগী হকচাং তেকখৎলিবা মচাক কয়ামরুম অসিনা লমকোয়বা লাকপশিংগী পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই মচাক অমসু ওইহল্লি।

মণিপুরদা লাকপা টুরিষ্টশিংনা ইহান হান্না থেংনগদৌরিবসি মালেমগী মফম অমত্তদা উবা ফংলরোইদবা নুপী ঙাক্তনা ফম্বা কৈথেল, খ্বাইরাম্বন্দ বজার ইমা কৈথেল অসিনি। ইরোইশেম্বগী মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেন, মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম, খোংহাম্পাৎ ওর্কিদরিয়ম, শিঙদা দাম, লংথবাল, রেদ হিল (মাইবম লোকপা চীং), লৌকোইপাৎ, ফুবালা, লোক্তাক পাৎ, কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক, চূড়াচান্দপুরগী খুগা দাম, কাইনা, খোংজোম, অন্দ্রো, তেংনৌপল, মোরে, উখ্রুল, তমেংলোং, সেনাপতিগী ফজখ্রবা মফম কয়া কয়া লৈরি। খূৎশেমগী শরুক শুকয়াও য়াওদনা মথন্তা অদুম ফজদুনা লৈরবা মফমশিং অসিগী মথক্তা মহৌশাগী ফজবদা হেন্না ফজহন্নবা কেবিদুনা লমকোয়বা লাকপশিংগী পূক্নিং চিংশিনহনবা মফম কয়া অমসু লেপ্তুনা শেমগৎনরক্লি। অন্দ্রোগী সন্থে নেচরেল পার্ক লমকোয়বশিং অমদি পিক্নিক চৎপশিংনা পাম্নবা মফম অমা ওইরক্লি। ইন্দো বর্ম্মা রোদলোমদা ৱাংজিং হোদাম মমাঙ লৈকায়দা খোইরান ইঙ্খোল কৌবা পিক্তক্লা ফজরবা ইকো বোটানিকেল শ্রাইন গার্দেন, ককচীং লমখায়দগী মমাঙ পাংনা হাইগৎলগা ককচীং লাইফম লোক্লুং পুখ্রি, লোয়ননা ককচীংগী ওইনা ককচীং গার্দেন ফজখ্রবা মফমমক্তনি। মখোয়শিংদু উরুবদা পূক্নিং নৌথোক্লোইদবা মী অতাঙবনি। ফজবগী ফজবা মক্তনি। করিগুম্বা মতমদা অসিগুম্বা মফমদা চৎতুনা ঙাইহাক পোত্থারুবদা পুন্সি অসি হেন্না হেন্না শাংদোক্কদবগুম হেন্না মহাউ লৈবা হেনগৎলকই।

হন্দক মরক অসিদি অনৌ-অনৌবা পার্ক কয়া, গার্দেন কয়া য়েংনিংবগী চাং হেনগৎলকই। কোন্বীরৈ শাৎফমসু চৎলুরে, অঙাংশিংনা পাম্নবা ফৈদিঙ্গাগী পার্ক অদুসু য়েংলুরে। অদুবু ইম্ফাল ইষ্টলোমদা ইকো পার্ক অমা লৈরে য়াম্না ফজে হায়বদি তাবা কুইরে। অদুবু য়ৌশিল্লুবদি শুকঙম ঙল্লুদে। ঐগী নুংশিরবা মরুপশিং ক্ষেত্রি জিবেন, কাবোই চৎলুরসি হায়না হৌনবদগী হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ইকো পার্ক থিরুই। ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রদনি চৎকদৌরিবনা, বারুনি চীংখোঙ, ইরিল তুরেল ঈমায় চোন্না চেল্লিবা ইরিল তুরেল লাল্লবা মতুংদা মমাঙ পাঙনা হাইগৎলি। হং-হংদুনা থৌই। অশোমদনি ইকো পার্কতু হায়দুনা অৱাং পাঙনা চীংখোঙদা চৎলিবা থেক-খোয়রবা লম্বীদা থৌগৎলি। ইকো পার্কতি থেংনদ্রে। চীংচেপ অমদা মীতম মরি খিন্দুনা লৈরম্মী। বির টিকেন্দ্রজিৎ (১৮৫৫-১৮৯১), পাউনা ব্রজবাসি (১৮৩৩-১৮৯১) থাঙ্গাল জেনরেল (১৮০৬-১৮৯১), হিজম ইরাবোত (১৮৯৬-১৯৫১) ফ্রিদম ফাইটর মরিগী মীতমনি। ৱাখা য়ুথ ক্লব, বারুনি চীংখোঙগী পিক্তক্লা কেম্পসতুদা নাপী মোংশোং মরক্তা নোংখাঙ চাইনা খিন্দুনা লৈরম্বা মীতম মরিনি। কাখৎতুনা য়েংলুবদা য়েংশিনবীবা ৱাৎপগী মমি তাবা ফংই। ইন্দিয়াগী ফ্রিদম ফাইটরশিংগী মীতম মশা শিৎ-শিৎ নান্না খিন্দুনা থম্বগুম ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগীসু মশক ফজনা লুনা-নান্না থমহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। ইকো পার্ক অৱাংলোম থংবদা অমদি লৈ অদুবু থিরুরিবদুদি মদু নত্তে হায়দুনা মখারোমদা চৎপিয়ু হায়বদগী মখা পাঙনা থৌথরে। লম্বীগী ৱাদি নোংজুথা মতমগা ওইবনিনা ইরোইনা লৈয়োনফমগী লম্বী তারে। কার অনী থৈনবদা চিনবা লম্বী ওইরম্মী। অসুম্না শুম থৌরকপনা থেংনরে 'সেল্লোই লোংমাই ইকোলোজিকেল পার্ক'। ইষ্টর্ন ইকোলোজি কঞ্জর্বেসন ওর্গেনাইজেসন লফুপোকপীগী মিৎয়েং মখাদা শেমগৎপা পার্ক ওইরম্মী। মতম অমদা পি ঐচ ঈ দি, দি আই পি আর অমদি টুরিজমগী মন্ত্রি ওইরম্বা শ্রী টি এন হাওকিপ, মন্ত্রি বিরেন, এম এল এ নন্দকিশ্বর, কে কে ছেত্রি, পি ভারত, পদ্মশ্রী এ শ্যাম শর্ম্মা অমদি শ্রী চাওবনা ইনোগ্রেট তৌখিবা পার্কনি। য়েংবদা ওন্থোক্লা ফজখ্রে। উচেক-ৱায়া, চীংজুমগী ঈচেল মখোল, থেল থেল নাইনা শেম্বা ফজখ্রবা মফম কয়া, মখল মখলগী উ-পাম্বী, হৈ-রা, মচু মচুগী লৈরাং কয়া অঙকপনি। চীংখোঙদুদা অদুক ফজখ্রবা মফম অমা লৈরমগনি থাজরুদে। উখোং-ৱাখোং, উরুমশিংদা অৱা পোত্থাফমগী ফম্ফম কয়া, অঙাংশিংগী শান্নফম, অশংবা নাপীতনা ফিবাংজীগুম উরিবা লম্পাক, মফম চানা শেল্লিবা পুখ্রি, অটরগুলাপ খক্তগী লৈকোল, মীচিক মীরাওখোল অমতা তাদ্রবা চীকখ্রবা মফম অমনি। তেনখ্রবা কলম অসিদা পার্ক হায়নরম্বদগী গার্দেন ওন্থোকখ্রবা মফমসিগী ফজবা থাবদা মফম চল্লরোই। পার্ক অসিবু কুপ্না শেন্নবিরিবা থোঙাম জিল্লা চহী ৬৪ শুরক্লবা অহল অমগা উনদুনা ৱারী শানবগী তাঞ্জা ফংজরকখি। মহাক্লা হায়, 'চহী ১৪ রোমগী মমাঙদগী পার্ক অসি শেমগৎপা হৌরকপনি। মেম্বর ১৮ লৈ। অহল ওইশিল্লকপদগী মখোয় ৬ মুক্তি লাকপা ঙমদ্রে। অহানবা হৌরকপদদি হৱাই, আলু, খামেন, তর্ব্বুজ, থবীনচিংবা মনা-মশিং থাদুনা জীপ অমদা পুদুনা য়োনবা চৎলম্মী। মদুদগী ফংলকপা শেল অদুনা য়াম্না ৱানা হোৎনরগা পার্ক অসি শেমগৎপগী ৱাখল লাকখিবনি। এন্ট্রি ফীসু থাগী খরা খরা লাকপসিনা মেন্টেন তৌনবনি। স্বিম্মিং পুল অমসু থমগে খল্লি। হৌজিক্তি নোংজুথা ওইবনা লম্বী ফৎতবগা টুরিষ্ট লাকপগী চাংসু হন্থরে। লম্বীসিমতং ফজনা শেম্বীরগদি মী লাকপগী চাং হেনগৎলক্কনি খল্লি।' পূম্নমকসি ওইদুনসু সেল্লোই লোংমাই ইকোলোজিকেল পার্ক য়েংলুদ্রিবশিংনা অমুক্তং চৎতুনা মহৌশাগী ফজবগা শাগোন্নরবা মফম অসিগী মহাউ লৌহন্নিংই।



*ইকো পার্ককী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা জিল্লা অমদি অইবা*

---

# অফবা লৈঙাক্কী মমি তারিব্রা?

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল**

**মীওইবগী** লাইবক্তা তম্লকপা হায়বা অমদি লৈ। তম্বু তম্লক্লবদি মফম অমা (মতাং) চানরুবা অমদা হেক্তা অফবদবু ওইরবসু ফৎতবদবু ওইরবসু অমদা হেক্তা ফাওই। অদুম ওইনমক হোৎনবা কনবা, অখাং কনবা ওইদবদি য়াদে। মশানা আর্মি ওইবা পামজবদগী রিক্রুইটমেন্টতা য়াওরুবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবা মতুংদা এদোল্ফ হিটলরনা মালেমদা কমদৌনা অফাওবা রুলর অমা ওইবা ঙমখিবগে হায়বসি তম্নিংঙাইনি। অব্দুল কলাম্না পাইলোট ওইবা য়াম্না পামজখিবদু অহানবদা মায় পাক্ত্রবসু মিসাইল মেন হায়না ফাওরকখি। মতুংদা এন দি এনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অহানবা ওইনা পায়বা মতমদা অটল বিহারি বাজপায়না প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পায়রিঙৈ মনুংদা জেট প্লেন থৌবা অমৎতা ঙাইবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরি হৌজিক ফাওবা। তুংদা মাগুম্বা অফবা মতিক চাবা প্রসিদেন্ট থোরকপা ওইরকপা য়াবগী থাজবা লৈতে। মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা ময়াং মচা শান্তদাস গোসাইগী লৌনম লাংদা থুখিবদগী মশাগী মমিং গরিবনিৱাজ হায়না ওনবদা নৎতনা কংলৈপাক (মৈত্রবাক) সিগী মমিংসু মণিপুর হায়না ওন্থোক্লবা মতুং বৃটিশকী লোইলম ওইনা চহী কয়া লৈরুবা মতুংদা অমুক ইন্দিয়ানা নম্ফুদা লান তৌনদনা ফিবান্নুংদা চলহনখিবদগী দেমোক্রেসিগী মিংদা চহী মঙা মঙা খুদিংগী মীখল পাঙথোক্তুনা তম্মী-চীংমী অমদি মীতৈ পাঙল পূন্না খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা লমদমসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রে, ওইসু ওইনরি। চীফ মিনিষ্টর ওইরকপা য়াই হায়না শুকথা থাজনরমদবা অদুবু মপোক্কী মরাইবক্তদি থম্বাল শাৎলম্বা মীশক অমনা চহী ১৫ মপূং কুমজা ২০১৭ কী অঙনবা থাদা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট এসেমব্লিগী জেনরেল ইলেক্সন মাঙওইনবা মতম ফাওবদা চহী মঙাগী টার্ম অহুল্লক থংন-থংননা মণিপুরগী চীফ মিনষ্টির ওইবগী খুদোংচাবা ফংলে হায়না লৌবা য়ারবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী মণিপুরগী জেনরেল নোলেজ লাইরিক্তা হাপ্পা য়ারবা মীশক অমনি হায়না শিংথাজগে। ইন্দিয়াখক্তগী লৈঙাক্কী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকীদা, চীফ মিনিষ্টরশিংনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী লৈঙাক্কী চুপলি পায়বসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্ননি। অসুম্না প্রসিদেন্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকীদা, গভর্ণরশিংনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগীদা মমিংতগী ওইনা হেদ ওইবসি লোয়না খঙনৈ। লৈঙাক্কী অশেংবা ক্রেদিটতি প্রাইম মিনিষ্টরনা অদুগা ষ্টেটশিংগীনা চীফ মিনিষ্টরশিংনা ফংলিবনি। ষ্টেটসিগী ওইনা অসুক মতম শাংনা লৈঙাকপা চীফ মিনিষ্টর অমা ওইরকপগী লাইশু (এক্সপরিএন্স) লৈরে হায়না লৌরবা চীফ মিনিষ্টর অমগী থৌশিল নৎত্রগা লৈঙাকপগী মওং কয়াম শিংথানিঙাই ওইবগে হায়না মীয়াম্না নৈনবা শল্লপ্পা ৱাফম খরদা ফাওরকপা ৱাখলগী ইহুলদা ৱারেংজবা শরুক অমনি।

অহল লমন্না হায়নবা অমদি লৈ - চহী মতম শাংনা পুন্সিরগা শিংথানিঙাই ওইবা থবক ইতৌ তৌরমদনা শিখিবদগী চহী মতম তেন্না পুন্সিরম্লগা য়াম্না শিংথানিঙাই ওইবা থবক ময়াম অমা তৌরম্লগা পুন্সি লোমখিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ। অসুম্না হায়নবা অমনা ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্লাক্লা ফমদেকই। শিংথানিঙাই ওইবা মচাক্তি ইয়াও য়াওদনা লৈঙাকপগী চহী মশীং য়াম্লবসু নাতোন চাবী গুলাপ লৈগুম ৱারীনরোইদবগী মরম লৈতে। ইহুৎ শিনবিনিঙাই লৈতে, ঐ মঙাইরে খল্লবদি কেগে (মোইরাং) দা অঙোম নোংবান কোংয়াম্বনা কেগেদা তয়ুম লায়রমচা খুমনচা থেংনরুবদগী চাং তাখিবগুম তারোই, পুয়াগী তাঙ্কক লোইরোই হায়নিঙাই লৈতে।

মণিপুরগী খুন্নাইদা থোকপা ৱাথোক লোইবা নাইরোই। খরনা মীচম মীয়াম্না, খরনা লৈঙাকসিনা। মীচম্না থোকহনবা ৱাথোক্তগী লৈঙাক্লা থৌশাদবদগী থোকহনবা ৱাথোক্লা কোঙ্গাইনি। খুদম খরদং লৌখৎচগে:

ইন্দিয়াগী ওইনা কেরলা অমদি চেন্নাই নৎতনা সেপ্টেম্বর ২০১৩ দা অতৈ ষ্টেটশিং খরদা চৎনবা হৌখিবা নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট, মণিপুরদনা এপ্রিল ২৫, ২০১৬ দা চৎনবা হৌনবা চীফ মিনিষ্টর মশানা লাউথোকখিবা সেন্টরগী ফজরবা স্কিমসি ষ্টেটসিদা ঙসিমক করি করম্বা ফীভমদা লৈরি হায়বসি চীফ মিনিষ্টরনা ৱাখল তানা মতম চানা চেকশিননা য়েংশিল্লম্লবদবু মশামক্কী কন্সটিট্যুএন্সি অমদি কঞ্জুমর এফেয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর মশাগী কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক য়াওনা কন্সটিট্যুএন্সি অয়াম্বদা ৱাথোক ওইরিবসি থোক্লমগদ্রা? মীচম মীয়াম্বু অমুক অপঙবা শীবগী মওংদা লোইশঙসিমক্কী দিরেক্টরনা চেঙ কেজি মশীং শুনা য়েনবা য়েন্দবগী অশেংবা ৱাকৎ দিপার্টমেন্টতা নৎত্রগা লৈঙাক্তা লৈতে হায়বসি নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংদা কলম কন্দুনা ইনরিবা পাউ নৎত্রগা পেন্দবগী ৱাকৎ ময়ামসি ফাগীনি হায়না লৌরিব্রা? মসিবু গুদ গভর্ণান্স হায়বদুরা?

লিংবা/থম্বা য়ানি-য়ারোই হায়না য়েৎনরিবা ৱাফম কয়া লৈখায় তাদ্রিঙৈদা সেসন হৌনবা হেক্তা পাল্লিবা লৈঙাক্লা তহা তহানা লেপশিল্লবা সেন্ট্রেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমদি মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটি পনবা য়াই। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী বিল নোংজু মীফমদা পুথোক্কনি হায়বগী ৱানি পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌদ্রি, লমগী চয়েৎনবা ৱাথোক লৈরি। অসুম্না কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী চপ চাবা শানবা লম, হাংগদবা অমদি হাংহন্নিংবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি মতিক চাবা ফেকলটি মেম্বরশিং খনবগী লৈখায় তাদবা ৱাথোক কয়া লৈনা লৈনা নম্ফুদা অকল অরিং শিংলগা হৌজিন্নবা হেক্তা মতম লেপশিনবা অফবা ওইগনি খনদে। সেসন হৌবদি লাই। হৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্তুনা নংহৌররোই মতাগুম হৌরুবা সেসন লমখাংদা অপনবা ওইবদগী একাদেমিক কেলেন্দরদা অকায়বা ওইহন্দনবা লোন্না থুপ্না তৌবগী মহুৎ ফোংনা তৌহৌবদি করি কায়। হোয়, কায়বগী ৱাবুদি ক্রেদিট লৌনিংবা লৈঙাক, মরী লৈনবা থৌমীশিং অমদি অহানবা ভি সি, রেজিষ্ট্রারগী ফম পায়নিংবশিংগী ওফিস টেন্যুর মথোং মরম খঙদনা লোইখিগদ্রা হায়না মীপাইবা পোকপা মরম ময়াম অমসু লৈরল্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মীয়ামগী অপাম্বদি মপান লমগী কলচর নৈনগদবা নত্তে। য়েলহৌমী ঐখোয়গী মহৌশাদগী শাগোন্নরকপা কলচরগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং হাংবদুনি। মশানা মশাগী অশেংবা মশক তাক্লিংদ্রিবা করিগীনো? ইনাৎকী কলচর নৈনবদা মালেমগী কলচরসু চাংদম্নরগা নৈনরকপদা ইনাৎকী কলচরগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি মচাক (মেটরিয়েল/ইলিমেন্ট) শিং নমথনবা হোৎনবদি য়ানিংদে হায়বসিনি কলচরেল য়ুনিভর্সিটি হাংনবা শিল্লি লাংলিবশিংগী মফমদা থমজনীংবদি।

লনাই মীওই অমগী হান্না কৌরম্বা মিং নৎত্রগা লম অমগী নৎত্রগা কোওপরেটিভ সোসাইটি নৎত্রগা ক্লব নৎত্রগা খুল, লৈকায় অমগী মিং ওনগে হায়বা মতমদা মথৌ তারগনা এফিদেবিট অমা কোর্টতগী নৎত্রগা পাউচেশিংদা ফোঙলবা মতুংদা য়েৎকদবশিংদগী ৱাকৎ লৌরবা মতুংদা করিগুম্বা অয়েৎপা অমত্তা লাকত্রবদি মিং ওনবা হায়বসি তৌনৈ। মসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি দেষ্টেদ ওইবা কাঙবুগা লৌতুনরগা লোন্না পাউচে অমদা পাকশন্না খঙহন্দনবা তৌবসু য়াওদবা নত্তে। মসিনা লোগী ওইবা মিৎয়েংদা কায়দনবনি। মীয়ামগী ওইনা য়েংবদদি অফবা নৎতে। করিগুম্বা মতমদা লৈঙাক্কী ওইবা সর্ভে অমা লাকপদা দেষ্টেদ ওইবা কাঙবু খরনা লমদুগী মমিং অদুনি অদানি হায়জিনবদা রেকোর্দ ওইনা ইশিনখিবদু খঙহৌদবদগী সাইনবোর্দকুম্বা থেৎকৎলকপা থেংনরকপদগী ৱাথোক ওইরকপা য়াওদবা নত্তে। লৈঙাক্তা হংনিংলিবা ৱাফমদি হান্না লমদুগী মহৌশাদগী মমিং অদু কৌনদুনা লাকই খঙলবা মফমদুদা অমুক নৌনা লাক্লগা/খুন্দারগা লৈরবা মীশিংগী অপাম্বদা লমদুগী মমিং নৌনা নৎত্রগা ওন্থোক্লগা থোনজিনবা য়াব্রা? মদুদা য়াথোক্লুরবদি থোরকইবা ৱাথোক্কী হৌরকফম লৈঙাক্কনি হায়না লৌবদা লান্নিংঙাই ওইরোই।

মতৌ অসুম্না মহৌশাদগী মোইরাংদা মোইরাং থাংজিং, কোইরেল লাইগী খুভম ওইবা 'থাংজিং চীং/চীংশাংবু 'করিগীদমক্তা 'থাংতিং চীং/চীংশাং' নৎতগা ভোট থাদফম পোল্লিং ষ্টেসন ওইনবা চৎনবা য়ারোইদবা মওংদা লৈবাক ৱাথোক ওইহন্নবা হান্নদগী 'থাংজিং চীং' হায়না কৌদুনা লাকপবু লোন্না 'থাংতিং চীং' হায়না মমিং ওন্থোক্লবা হোৎনববু লৈঙাক্কী অরোনবা থৌরাং করি লৈবননো হায়বসি লৈবাক মীয়াম খঙনবা পাউচেশিংগী খুত্থাংদা শেংদোকফম থোকই হায়না নৌহৌননা নীংশিংজরি।

অরোইবদা, অমসু অমসু কায়নদনা য়েলহৌমী ঐখোয় মশেল তুং কোইনা নুংশি চান্নবা পূন্না হিংমিন্নবা য়ানবা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক্লা ফজবা লৈঙাক্লোন মফম, মতম চানা পুথোকহন্নিংই নৎত্রবদি অফবা লৈঙাক্কী মমি শামহনবা ওইনা থোকখিদনবা হোৎনহন্নিংই হায়না থমজরি।